HUEIYEN LANPAO

Monday, March 21, 2016, Imphal

মপানগী পাউ 9

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সিটিজন ১১৬ জিকা ভাইরসনা শোক্লে : রিপোর্ট



ন্যু য়োর্ক, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ

য়ু এসতা লৈবা পুন্না মীওই ১১৬তি চাংয়েংদা জিকা ভাইরস পক্লে হায়বসি কনফার্ম তৌরে হায়না য়ু এসকী সেন্টর্জ ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)গী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

"কুমজা ২০১৫গী জন্যুৱারী ১দগী কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী ২৬ ফাওবদা য়ু এসকী ষ্টেট ৩৩ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওফ কলম্বীয়াগী পুন্না মীওই ১১৬ হন্দক্তা জিকা ভাইরসনা শোকখিবগী লেবোরেটরি ইভিদেন্স লৈরে অমসুং মদু সী দি সীদা পাঙথোকপা চাংয়েংশিংদা য়ুম্ফম ওইরগনি" হায়না ইরাই নুমিৎতা ফোঙখিবা রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

চাংয়েং তৌবদা জিকা ভাইরস পল্লম্বশিংগী মনুংদা অঙাংমচা অমা য়াওরম্লে। মহাক জিকা ভাইরস ইনফেক্সনগা মরী লৈনবা ব্রেন দিভলপমেন্টকী লায়না অমা ওইরিবা অকনবা মাইক্রোসিফালিগী ফীভম অমগা লোয়ননা পোল্লকখিবনি।

"কেস অমদা অঙাং অমা শাথিরবা মাইক্রোসিফালিগী মপুং ফারব লায়ওংশিংগা লোয়ননা পোল্লকখি। অঙাংদুগী মমাদু মীরোনবগী অহানবা থা ৪গী মনুংদা ব্রজিলদা জিকা ভাইরসকী লায়না পল্লকখিবনি" হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

অতৈ মীওই ১১৫ অদুনা হন্দক্তা জিকা ভাইরস কন্না শন্দোক্লিবা মফমশিংদা চৎলুবশিংনি নৎত্রগা চৎমিন্নবা ভাইরস পকপা মীওইগা সেক্সুয়্যাল কন্টেক্ট লৈনরুবা মীওইশিংনি হায়বসি সী দি সীগী খ্বাইদগী নৌবা মোর্বিদিটি অমসুং মোটেলিটিগী চয়োলগী রিপোর্টতা ফোঙখিবা ফাইন্দিংশিং অদুনা উৎখি।

পেসেন্ট ১১৫ মক অনাবগী লায়ওংশিং চপ চানা উৎখি। মরু ওইনা মখোয়গী উনশাগী মচু হোংলকখি (চাদা ৯৮), লাইহৌ তৌরকখি (চাদা ৮২) অমসুং তাং-তাংদা চীকপা-শাবা (চাদা ৬৬) তৌরকখি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

জিকা ভাইরস অসি মরু ওইনা এদীজ এজিপটি কাংশিংনা মীওইবদা শন্দোকই। অদুম ওইনমক কাংনা শন্দোকপগী মথক্তা জিকা ভাইরস অসি ইনত্রায়ুটেরিন ট্রান্সমিসনগী খুথাংদসু শন্দোকপগা লোয়ননা পুক্নুংদা লৈবা অঙাং পোকপা মতমদা, ভাইরসনা শোক্লবা মমাদগী নৌনা পোক্লিবা মচাদা, সেক্স্যুঅল ট্রান্সমিসনগী খুথাংদা অমসুং লেবোরেটরিদা এক্সপোজ তৌবদগীসু শন্দোকই হায়রি।

কুমজা ২০১৫গী মমাঙদা জিকা ভাইরসকী লায়না অসি য়ু এসকী মপান চখোক-চৎশিন তৌবা মীওইশিংদা পংনা লৈখিদে। মসি মরু ওইনা চৎলিবা লমশিং অদুদা জিকা ভাইরস শন্দোকপগী চাং নেম্বা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লায়না অসি খঙনবগী চাং ৱাৎপননি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

# মোর্টর কাপশিন্দুনা পুলিসমেন ১৩ হাৎখ্রে



বাইরো, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ

ইজিপ্টকী ঈরাং কনবা নোর্থ সিনাইগী সিক্যুরিটি চেক পোইন্ট অমদা ইস্লামিক ষ্টেটনা মোর্টর সেল কাপশিন্দুনা য়ামদ্রবদা পুলিসমেন ১৩ হাৎখ্রে।

হৌখিবা থাংজদা নোর্থ সিনাইগী অল-অরিশ সিটিদা লৈবা চেক পোইন্টদা চথখিবা মোর্টর এটেক অদুদা পুলিসমেন ১৩ শিখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এরিয়া অদুদা মী চঙথোক-চঙশিন তৌহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুবু থিজিনখ্রে হায়রি।

ইনৌ নৌবা সিক্যুরিটি চেক পোইন্টগী এটেক অদু ইজিপ্টকী রাফাহ সিটিদা মান্নবা মওংদা আর্মিগী চেক পোইন্ট অমদা মিলিটেন্টশিংনা মোর্টর কাপশিন্দুনা লান্মী মঙা হাৎখিবা অমসুং নিপান্না শোকহনখিবা মতুং নুমিৎ নিনি কান্নরগা চথুরকখিবনি।

কুমজা ২০১১গী জন্যুৱারীদা লাকখিবা লৈবাক্কী অওনবা পুরকপগী ঈরাং অমদা হান্নগী প্রসিদেন্ট হোশনি মুবারকপু চিংথুখিবা মতুংদা ইজিপ্টকী নোর্থ সিনাইদা মিলিটেন্টশিংনা শাথিবা এটেক কয়া চথুদুনা লাকখি।

মীয়াম্না য়ানিংদবগা লোয়ননা কন্না ঈরাং হৌরকখিবদগী মিলিটরিনা ইস্লামিষ্ট প্রসিদেন্ট মোহমদ মোর্সিবু কুমজা ২০১৩দা পৱারদগী নমদুনা লৌথোকখ্রবা মতুংদা পুলিস অমসুং মিলিটরিবু টার্গেট তৌদুনা এটেক চথুবা হেনগৎলকখি। মতমদুদগী হৌজিক ফাওবদা মিলিটেন্টশিংগী এটেকশিংদা সিক্যুরিটি পার্সনেল ৭০০ হেন্না শিখ্রে হায়রি।

মিলিটরিনা এরিয়া অদুদা সিক্যুরিটি কেম্পেইন হৌখিবগা লোয়ননা চীংনবা মীওই কয়া ফাগৎখ্রে, গজা ষ্ট্রিপ তাবা টনেলশিং য়াওনা টেররিষ্টশিংগী য়ুম-কৈ কয়া থুগাইদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

## কাঙলূপকী ঈরাং লাকশিন্নবা নাইজিরিয়ন ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌরগনি

লাগোস, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ

সেন্ট্রেল নোর্থ বেন্যু ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা অগাতু কাঙলূপশিংগী মরক্তা হাৎনা শুনবা লেপহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী শরুক অমা ওইনা নাইজিরিয়ন আর্মিনা ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌবদা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌরগনি হায়না মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসর অমনা ঙরাং হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ৱেষ্ট অফ্রিকন লৈবাক অদুগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ লেফটিনেন্ট জেনরেল টুকুর বুরাটাইনা ষ্টেট অদুগী ওতুকপো এরিয়াগী মনাক্তা লৈবা মিলিটরিগী টেক্টিকেল ওপরেসনেল বেজ অমদা খোঙচৎ অমা লাকপা মতমদা ফোঙদোকখিবনি হায়না জিনহুৱানা ফোঙদোক্লি।

মিলিটরি চীফ অদুনা হাৎনশুনবগী থবকশিং লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ওপরেসন অদুদা তঙাইফদনা চঙগদবা লোজিষ্টিক্স অমসুং অতৈ মচাক খূদিংমক পীরে হায়খি।

অগাতু অমদি মসিগী অকোয়বদা শা-শেনবশিং অমসুং লৌমীশিংগী মরক্তা তত্তনা থোকখিবা হাৎনশুনবগী থৌদোকশিংদা মীওই কয়া শিখ্রে।

"মফম অসিদা থোক্লিবা ক্রাইসিস অসি লাইবক থীবনি। লৌমীশিং অমসুং শা শেনবশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নরিবসি য়ানিংঙাই ওইদে। শা-ষণ কয়া হুরানবা ক্রিমিনেল এলিমেন্টশিং লৈরে হায়বা ঐহাক্না কম্মান্দরনা হায়রকপদগী তারে" হায়না মিলিটরি চীফনা হায়খি।

"গ্রাউন্দদা ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌবগী মওং ঐখোয়না য়েংশিল্লে, থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপা মতমদা লাকশিনবা ঙমগদবা মওংদা ঐখোয়না ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌবদা শিন্দোক-শিঞ্জিন খরা তৌরে। ক্রিমিনেলশিংনা লোৎলম্বা য়াবা এরিয়াশিংসু য়েংশিন্নবা মওংদসু ট্রুপশিংবু দিপ্লোই তৌরিবনি" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হাৎনশুনবগী থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবা অমসুং মীপাইদুনা চেন্নখিবা মীশিংবু ময়ুম ময়ুমদা হল্লকপা ঙমহন্নবগীদমক্তা থৌরাংশিং অসি লৌখৎলিবনি হায়না লেফটিনেন্ট জেনরেল টুকুর বুরাটাইনা ফোঙদোকখি।

## পেরিস এটেক্তা মরু ওইনা চেন্নবা মীওই নুমিৎ ৯০নিগী মনুংদা ফ্রান্সতা শিন্নগদবনি : ফ্রেঞ্চ মিনিষ্টর

পেরিস, ফ্রান্স, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ

বেলজিয়মনা পেরিসকী এটেকশিংদা মরু ওইনা চেন্নবা মীশকনি হায়না চিংনরিবা সলা অবদেসলামবু থা ৩দগী হেন্দবা মতমগী মনুংদা ফ্রান্সতা শিন্নরক্লগনি হায়না ফ্রেঞ্চ জষ্টিস মিনিষ্টর জোন জেক্স উরভোনা ঙরাং হায়খ্রে।



"হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা ৱারেপ অদু মহাকপু ফারবা মতুং নুমিৎ ৬০নিগী মনুংদা নৎত্রগা মহাক্না আপিল অমা ফাইল তৌরগনা নুমিৎ ৯০নিগী মনুংদা লৌগদবনি" হায়না উরভোগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ব্রুসেলসতা অবদেসলামগী উকিল সভেন মেরিনা হায়খি মদুদি, ফ্রান্সতা মহাকপু ৱায়েল চথনবা থাবগী ৱাফম অদু মহাক্না শীংনগনি মরমদি বেলজিয়মদা হান্না লোইশিনগদবা ইনভেষ্টিগেসন অমা লৈরি।

ফ্রেঞ্চ জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, অবদেসলামবু ফ্রান্সতা ট্রান্সফর তৌরকপদা শাংলবদা নুমিৎ ৯০নি চঙগনি।

ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা জজ অমনা অবদেসলামবু "টেররিষ্টকী মীহাৎতা শরুক য়াবগী অমসুং টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী থবকশিংদা শরুক য়াবগীদমক্তা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখ্রে" হায়না বেলজিয়মগী প্রোসিক্যুটরশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

অবদেসলামনা মহাকপু ফ্রান্সতা থাবগী ৱাফমদা য়াদ্রিবদুনা অসুম্না থাবদা থেংথহনবদি য়াই তৌইগুন্বসুং য়ুরোপিয়ন এরেষ্ট ৱারেন্ট অমদা মহাকপু ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংদা শিন্নবদি থিংবা ঙম্লোই হায়না লিগেল এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

য়ুরোপিয়ন এরেষ্ট ৱারেন্ট অসি মরু ওইবা এক্সত্রাদিসনগী কেসশিং থুজিন্নবগীদমক্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা হৌদোকখিবনি।

পেরিসতা পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা পেরিসকী প্রোসিক্যুটর ফ্রান্সুআ মোলিন্সনা হায়খি মদুদি, অবদেসলামনা য়ানিংদ্রিবা অদুনা প্রোসেসকী মতম শাংদোকহনবা নত্তনা মহাকপু ফ্রান্সতা থারকপদা থিংবদি ঙম্লোই। খূদিংমক ওইদুনসু শাংলবদা নুমিৎ ৯০নিগী মনুংদা মহাকপু পেরিসতা থারকপগী ৱাফমসি লোইশিনগদবনি।

# প্রোটেষ্টরশিংনা দোনাল্ড ট্রম্পকী রেলি পাঙথোকফম তাবা লম্বী থিংখ্রে

ফিনিক্স, ফ্রান্স, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ

অরিজোনাগী প্রাইমরি মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ নিনিগী মাঙওইননা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা প্রোটেষ্টরশিংনা রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়েল ফ্রন্ট-রন্নর দোনাল্ড ট্রম্পকী মীখলগী কেম্পেইন রেলি অমা লাংখিবা ফিনিক্সকী মফম অমা তাবা মরু ওইবা হায়ৱে থিংখ্রে হায়রি।



রেলি মফমদুমক্তদা টেন্সন ৱাংখৎনখি, তৌইগুন্বসুং হান্না চয়োল অমগী মমাঙদা চিকাগোদা পাঙথোকখিবা ট্রম্পকী রেলি অমদা থোকখিবা মুক্নবগী ঈরাংদুমক্তি ওইখিদে। কেম্পেইনগী মফমশিংদা মহাক্না হান্না তৌখিবশিংগা মান্নদবা মওংদা ঙরাংদি মহাক্না প্রোটেষ্টরশিং চৈ-থাংবনচিংবা অমত্তা তৌখিদে হায়রি।

প্রোটেষ্টরশিংনা পুং কয়ামুক মখোয়গী কারশিং অদু রেলি পাঙথোকফমদু তাবা মরু ওইবা লম্বীগী ময়াইদা খামজিন্দুনা থমখি। মখোয়না ট্রম্পপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ইবা ৱারোলশিং য়াওবা বেন্নর কয়া উৎখি অমসুং মহাক্কী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউখি। রেলিগা মরী লৈনবা ঈরাংদুনা মরম ওইদুনা মাইল কয়া লম্বী চখোক-চৎশিনদা অকায়বা থোকখিবগা লোয়ননা খোইরাং খোইশাওনরবা গাড়ী থৌবশিংনা হোর্ন হৌনা হৌনা খোংনখি।

মমৈথংদা লম্বী থাবা মতমদা প্রোটেষ্টরশিংনা রেলি পাঙথোকফম তম্না হায়ৱেদা চৎখি। মখোয়না অদুম্না চৎপা অদুদা ট্রম্পকী সপ্পোর্টরশিংনা মখোয়বু য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা অহৌবা খোঞ্জেলদা মখোয়দা লাউশিনখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী প্রাইমরিগী মাঙওইননা দোনাল্ড ট্রম্প অরিজোনাদা মীখলগী কেম্পেইন তৌবা লাকখিবনি। প্রাইমরি অদুদা মায় পাকপা মীওই অদুনা দেলিগেট ৫৮গী সপ্পোর্ট ফংগদৌরিবনি। পোল কয়ানা অরিজোনাদা ট্রম্পনা মহাক্কী লম্বাশিংদগী মাঙজিল থানা চৎলি হায়বা উৎখ্রে। বোর্দর ষ্টেট অদুদা ট্রম্পকী হকচিনবা ইম্মিগ্রেসন পোলিসিবু রিপব্লিকান ভোটর কয়ানা শৌগৎনৈ হায়রি।

রেলি অদুদা ট্রম্পপু অকনবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ তৌগনবা মেরিকোপা কাউন্টিগী সেরিফ জো অরপাইওনা মীয়াম মাঙদা পুশিনখি। সেরিফ জোগী কাউন্টি অদুদা ফিনিক্স অমসুং অরিজোনাগী অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনীরোম য়াওই হায়রি।

য়ু এসতা লোগী ৱাংমদা লৈরিবা ইম্মিগ্রেন্টশিংবু থেংননবা অরপাইওনা ট্রম্পকী অকনবা ইম্মিগ্রেসন পোলিসিবু শৌগৎখিবনি।

সেরিফ অসিনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৮ হেন্না শাবা মৈশা মরক্তা ইম্মিগ্রেন্টশিংবু নমদুনা পিঙ্ক মচুগী অন্দরৱিয়রশিং শেৎহন্দুনা টেন্টশিংগী মপান্দা লৈহনখি হায়রি।

ট্রম্পকী মরুওইবা লম্বাশিং ওইরিবা টেক্সাসকী সিনেটর টেদ ক্রুজ অমসুং ওহাইওগী গভর্নর জোন কাসিকনা রিয়েল ইষ্টেট মোগল অদুবু লাক্লিবা জুলাই থাদা পার্টিগী নেসনল কনভেন্সন পাঙথোকপা মতমদা নোমিনেসন ফংবদা তঙাইফদবা চঙলিবা দেলিগেট ১,২৩৭কী সপ্পোর্ট ফংহন্দনবা লৈজবী থাদুনা হোৎনরিবনি। মখোয়না কনভেন্সন অদুদা তোপ তোপ্পা কনটেষ্ট অমা লাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

হায়রিবা কন্টেষ্ট অদুদা ট্রম্পনা অহানবা বেলোটতা মেজোরিটি ফংবা ঙমদ্রবদি দেলিগেটশিংনা মঙোন্দগী ইকোম কোম্না মমায় লৈথোকখিবা য়াহনগনি হায়রি।

এসোসিয়েটেদ প্রেসনা পীবা ফিগর অমগী মতুং ইন্না, হৌজিক ফাওবদা অসুম্না পাঙথোকখিবা কন্টেষ্টশিংদা ট্রম্পনা দেলিগেট ৬৭৮গী সপ্পোর্ট ফংখ্রে। ক্রুজনা দেলিগেট ৪২৩ ফংদুনা অনীশুবদা লৈ অমসুং কাসিকনা দেলিগেট ১৪৩গা লোয়ননা অহুমশুবদা লৈরি।

## কজাখষ্টানগী ওফিসশিংদা স্মার্টফোনশিং শীজিন্নবা থিংখ্রে

অষ্টানা, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ

কজাখষ্টানদা অরুবা দোক্যুমেন্টশিং লিক ওইবা থীংনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা কজাখ ওথোরিটিশিংনা থোকখিবা অনৌবা ওর্দর অমনা পব্লিক ওফিসশিংগী ওফিসলশিং অমসুং ভিজিটরশিংবু গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিংশিংদা স্মার্টফোনশিং শীজিন্নবা থীংখ্রে হায়না লোকল মিদিয়াগী রিপোর্টশিংনা লিক ওইরকখিবা দোক্যুমেন্ট অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিং অমসুং ভিজিটরশিং অনীমক্লা লাক্লিবা মার্চকী ২৪দগী মখোয়গী স্মার্টফোনশিং, টেব্লেটশিং, স্মার্টৱাটচশিং অমসুং মান্নবা দিভাইশিং পব্লিক ওফিসশিংগী থোঙ্গালদা থম্বা তাই হায়খি। লিক ওইরকখিবা মেমো অদুনা ৱাটসএপ মোবাইল এপ্লিকেসনগী খুথাংদা অরোন-অথুপকী ওইবা ঈ-পাউ কয়া তোয়না লিক ওইবগী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি।

দোক্যুমেন্ট অদুনা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়শিংদা তঙাইফদবা ফঙ্কসনশিংদমক য়াওবা, কেমেরা নৎত্রগা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা য়াওদবা মোবাইল দিভাইসশিংদমক শীজিন্ননবসু খঙহল্লি। "ফোটো, ভীদিও, ওদিও রেকোর্দিং য়াবা দিভাইস খূদিংমক শীজিন্নবদা অথিংবা থমই" হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসকী সোর্ছ অমনা হায়খি।




# EMPLOYMENT NEWS

## ITBP RECRUITMENT 2016 – 44 HEAD CONSTABLE POSTS

**ITBP Recruitment 2016 – 44 Head Constable Posts:** Indo – Tibetian Border Police Force (ITBP), Ministry of Home Affairs, Government of India has advertised a notification for the recruitment of Head Constable (Education & Stress Counselor) vacancies. Eligible candidates can apply in prescribed application format on or before 22-04-2016 & For Remote Areas on or before 29-04-2016. Other information like age limit, educational qualification, selection process, exam fee & how to apply are given below…

**ITBP Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 44**
**Name of the Post: Head Constable (Education & Stress Counselor)**

1. UR: 22 Posts
2. SC: 07 Posts
3. ST: 03 Posts
4. OBC: 12 Posts

**Age Limit:** Candidates age should be 20 to 25 years as on 22-04-2016. (Not born before 22-04-1991 and later than 22-04-1996). Age relaxation is 5 years admissible for SC/ ST, 03 years for OBC Candidates.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Degree from a recognized University or equivalent with Psychology as a subject or Degree from a recognized University with Bachelor of Education/ Bachelor of Teaching or equivalent with adequate experience.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on applicants performance in Physical Standard Test, Written Test & Medical Examination.

**Application Fee:** Applicants required to pay Rs.50/- in the form of Indian Postel Order (IPO) in the favour of The Inspector General, North Eastern Frontier Hqr, ITBP, Old A.P, Secretariat Building, Cantt Area, Shillong (Meghalaya). SC/ ST, Exservice man and Female Candidates exempted from this payment.

**How to Apply:** Candidates can send their application in prescribed format along with self attested copies of Educational, Date of Birth, Professional/ Experience, SC/ ST Caste, Discharge Certificates, Latest passport size photograph, two self addressed envelopes, IPO and in an envelope should be superscribed as "Application for the Post of head Constable (Education & Stress Counselor) in ITBP" to The Inspector General, North on or before 22-04-2016 & For Remote Areas on or before 29-04-2016.

**Important Dates:**
**Last Date for receipt of Application:** 22-04-2016.
**Last Date for receipt of Application for remote areas:** 29-04-2016.

## EAST CENTRAL RAILWAY RECRUITMENT 2016 – 246 CONSTABLE (BAND) POSTS

**East Central Railway Recruitment 2016 – 246 Constable (Band) Posts:** East Central Railway has released notification for the recruitment of 246 Constable (Band) vacancies in Railway Protection Force/ Railway Protection Special Force. Eligible candidates may apply in the prescribed application format on or before 11-04-2016 & 18-04-2016. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**East Central Railway Vacancy Details:**
**Total No of Posts: 246**
**Name of the Posts: Constable (Band)**

**1. Male: 221 Posts**
- i. UR: 123 Posts
- ii. OBC: 50 Posts
- iii. SC: 26 Posts
- iv. ST: 22 Posts

**2. Female: 25 Posts**
- i. UR: 14 Posts
- ii. OBC: 06 Posts
- iii. SC: 03 Posts
- iv. ST: 02 Posts

**Name of the Instrument:**

1. Flute/Piccolo: 14 Posts
2. EB Clarinet: 46 Posts
3. Alto Saxophone: 20 Posts
4. Tenor Saxophone: 19 Posts
5. Tenor/ Slide Trombone: 20 Posts
6. Brass Slide Trumpet: 24 Posts
7. French Horn/ Horn: 12 Posts
8. Euphonium: 19 Posts
9. Cornet: 09 Posts
10. Eb Bass: 06 Posts
11. Side Drum/ Snare: 19 Posts
12. Bass Drum: 09 Posts
13. Oboe: 05 Posts
14. Cymbal: 05 Posts
15. Bagpipe: 11 Posts
16. Brass Bass: 07 Posts
17. Tuba: 01 Post

**Age Limit:** Candidates age limit should be between 18-25 years as on 01-07-2016. Age relaxation is applicable 5 years for SC/ ST candidates, 3 years for OBC candidates & for others as per rules.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Matriculation or equivalent from a recognized Board/ University with relevant experience in specified musical instrument.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on written examination, physical efficiency test, physical measurement test, document verification. There will be bonus marks for NCC/ sports certificates and Height.

**Examination Fee:** Candidates have to pay Rs. 50/- in the form of crossed Indian Postal Order/ Bank Draft payable in favour of Financial Advisor & Chief Accounts Officer, East Central Railway, Hajipur. No fee for SC/ST categories, Female and Ex-Servicemen candidates.

**How to Apply:** Eligible candidates may send their application on A-4 size bond paper in the prescribed format affixing colour photograph on it along with two coloured passport size photographs, self attested copies of all relevant certificates, two self addressed envelopes (28 cms x 12 cms) each bearing postal stamp of Rs.5/- duly affixed through ordinary post only to the IG-Chief Security Commissioner, East Central Railway, Hajipur, Pin Code- 844101, Bihar on or before 11-04-2016 & 18-04-2016. Superscribe the envelope as "Application for the Post of Constable (Band) in RPF including RPSF".

**Important Dates:**
**Last Date for Submission of Application:** 11-04-2016
**Last Date for Submission of Application for Remote Areas:** 18-04-2016.